# হীদাক কান্নরবা পান্থীশিং ঃ লফু

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয় অয়াম্বনা খঞ্জিলুদে অমসুং থিজিনলুদে মদুদি লফু পান্থীদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বদু। তশেংনমক লফু পান্থীদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং থোইদোক্লা শিংথানীংঙাই ওইনা য়াওই। লফু পান্থী অসি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরবা অমদি হৌবা পান্থীনি। অঙাংদগী য়াম্না অহল ওইরবা মীওই ফাওবনা খ্বাইদগী পাম্না চানবা উহৈশিংগী মনুংদা লফোই অসি থোইদোক্লা শিংথানীংঙাই ওই।

পাউদমগী মতুং ইন্না লফু পান্থীগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিং *মুসা জিন্স* অসি য়াম্না ফাওরবা বোটানিষ্ট কার্ল লিনিয়স (Carl Linnaeus) না অহানবা ওইনা কুমজা ১৭৫৩দা শেমখি। থাজনবা অমদা লফু পান্থীগী জিন্স মুসা অসি ওগষ্টতস (Augustus) হায়রিবা নিংথৌরেল অদুগী অনা-লায়েংগী ডোক্তর এন্টোনিয়স মুসা (Antonius Musa) গী মমিং লৌদুনা লিনিয়সনা থোনখিবা ওইরম্বা য়াই নৎত্রগা লফু পান্থী অসি অরাবিক (Arabic) কী মরোলদা মৌজ (Mauz) হায়বসিদগী থোনখিবা ওইরমগনি হায়না পাউদমলি। লফু পান্থী অসি মুজেসী (Musaceae) শাগৈদা চল্লি। World Checklist of Selected Plant Families না কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারীদা পীখিবা পাউদমগী মতুং ইন্না মালেম অসিদা লফু পান্থী মখল ৭০ রোম লৈ। হায়রিবা মখলশিং অসিগী মনুংদা মখল কয়ামরুম মীওইবনা চানরবসু মখল খরদি চানদে অমসুং লৈতেংগী ওইনা (ornamental) থানৈ। লফু পান্থীগী টেক্সোনোমি হায়বদি বিজ্ঞানগী ওইবা মমিং থোনবা অসি চয়েৎনবা খরদি অদুমক লৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না য়াম্না লীরবা লফু পান্থী মখলশিংদি মুশা এক্যুমিনাটা (Musa acuminata Colla) অমসুং মুশা বালবিসিয়ানা (Musa balbisiana Colla অসিনি অমসুং অনী অসি হারব্রীদ তৌরগা শেম্বা অদুনা মুসা পেরাদিসিয়াকা (Musa paradisiaca Linn.) অসি ওইবনি। মসিগী মখা তারকপদা ঙসিদি লফু পান্থী অসি ভেরাইটি মখল কয়ামরুম লৈখরে। আর্কিওলোজিকেলগী খুদম চাংদমশিংগী মতুং ইন্না লফু পান্থী অসি খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ চহী ৮০০০দগী ৫০০০ ফাওবগী মনুংদা পাপু ন্যু গিনিয়া (Papua New Guinea) গী নোংচুপ থংবা অৱাংবা লমদমশিংদা থাদুনা লাক্লে হায়না পাউদমলি।

বুধিষ্টকী অইবা চেরোলগী মতুং ইন্না লফু পান্থী অসি খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ চহী ৬০০ লোমদগী শীজিন্নরক্লে হায়না পীরি। ইস্লামগী লাইরিকশিংদা পল্লি মদুদি প্রোফেট মুহমদ (Prophet Muhammad) কী মতমদা লফোই অসি শীজিন্নরক্লে।

পাউদম অমগী মতুংইন্না Alexander the Great না খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ চহী ৩২৭তা ইন্দিয়াদা লফোই চাদুনা মহাও তংখিবগী ৱাফম য়াওরি। খৃষ্ট ২০০দা চাইনাদদি লফু পান্থী অসি ফজনা পাক শন্না শীজিন্নখিবগী পাউদমশিং লৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না চাবা য়াবা লফু পান্থী অসি ইন্দো-মলেসিয়াগী লমদমশিংদগী অমসুং অৱাং থংবা ওষ্ট্রেলিয়াদগী হৌরকখিবনি। অদুবু ঙসিদি লফু পান্থী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক শন্না থাখরে। লফোই পুথোকপদা ইন্দিয়ানা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈ।



পাউদম অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬তা মালেমগী অপূনবা লফোইগী পোৎথোক মিলিয়ন টন্স (Tonnes) ১১৩.৩ পুথোকখিবগী মনুংদা ইন্দিয়া মথন্তনা মিলিয়ন টন্স ২৯.১ পুথোকখিদুনা লফোই খ্বাইদগী পুথোকপা লৈবাক ওইখি। মসিগী মথংদা লফোই টন্স ১৩.১ পুথোক্তুনা চাইনানা অনীশুবদা লৈখি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লফোইদা য়াওবা চিঞ্জাক্কী ওইবা মগুনশিং অদুদি ইনর্জি অসি ৮৯ কিলো কেলোরি, সুগর্স গ্রাম ১০০দা গ্রাম ১২.২৩, ফাইবর গ্রাম ১০০দা গ্রাম ২.৬, ফেট গ্রাম ১০০দা গ্রাম ০.৩৩, প্রোটিন গ্রাম ১০০দা গ্রাম ১.০৯ অসিনচিংবনি। লফোইদা য়াওবা মরুওইবা ভিটামিনশিংদি থীয়ামীন ($B_1$) অসি চাদা ৩, রাইবোফ্লেভিন ($B_2$) অসি চাদা ৬, নিয়াসীন ($B_3$) অসি চাদা ৪, পেন্টোথেনীক এসিদ ($B_5$) অসি চাদা ৭, ভিটামিন $B_6$ অসি চাদা ৩১, ফোলেট ($B_9$) অসি চাদা ৫, ভিটামিন সী অসি চাদা ১০ য়াওবগী মথক্তা মিনরেল কয়ামরুম মরুওইনা আইরন, মেগনেসিয়ম, মেঙ্গানিজ, ফোসফোরস, পোটাসিয়ম, সোদিয়ম অমসুং জিঙ্ক অসিনচিংবশিং য়াওবগী পাউদম লৈ।

অমুনবা লফোই অসিনা মীওইবদা থোইদোক হেন্দোক্লা কান্নবা পী। অমুনবা লফোইদা পোটাসিয়মগী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না মীওইবগী ঈ ৱাৎপগী লায়না এনিমিয়া, অমাংবা য়ৈখৎপা, খোঙ হামথবা, শরুগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা, কিদনিগী মথৌ ফজনা তৌহনবা ঙম্বা, ঈগী খোঙজেল চাং চানা থম্বা ঙম্বা, থবোম্বী মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্বা, শিংলি-নাওরি মথৌ ফজনা তৌহনবদা মতেং পাংবা, পূক্লিং-ৱাখলগী লায়নাশিংদা কান্নবা ফল পীবা ঙম্বা অমসুং মীরোনবী নুপীশিংনা মীরোলবদা অয়ূক্তা ওনীংবা ফাওবা অসিদা থোইদোক্লা কান্নবা মরম্না ডোক্তরশিংনা অনাবা মীওইশিংদা নত্তনা মশা-মউ ফবা মীওইশিংসু চাং নাইনা অমুনবা লফোই চাও হায়না পাউতাক পীবা ঐখোয়না থেংনৈ।




পাউদম অমগী মতুংইন্না লফু পান্থীগী মহী অসি কোলেরানা নাদুনা ঈশিং য়াম্না খৌরাংবদা পীথকপদা য়াম্না কান্নবগী মথক্তা ৱান্থবগী লায়না (হাইসটেরিয়া) অমসুং শারৈ থুংবা (ইপিলেপসি) অনাবশিংদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। মমুন ফাদ্রিবা লফোই অমসুং লফু থরো অসি চাং নাইনা চাবদা মীওইবগী ঈশিং-পুকচৎকী লায়না (দাইবেটিস) অসিদা কান্নবা পীবগী পাউদমশিংসু লৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি লফুগী অনৌবা মকা অমসুং মতোন অদু থোংদুনা অমদি ইরোন্দুনা চাং নাইনা চারবদি চাকখাও অমসুং থীবোং-থীরিলগী অনাবশিং ফৈ হায়দুনা তোয়না শীজিন্নবা ঐখোয়না থেংনৈ। তশেংবদি লফু পান্থীদা য়াওরিবা মশিং (Fibre) অসি চাকখাও অমসুং থীবোং-থীরিলগী মনুং থংবা মমায় অদু তেংথোকপা অমদি খেত্তোকপা ঙম্বা মরম্না ময়াম্না শীজিন্নরিবা অসি বিজ্ঞানগী মীৎয়েংদসু চুম্লে হায়না লৌই। লফোইগী মকু অদু কংহল্লগা মৈ থাদুনা লৌবা উৎ অদু অশোক-অপন অমসুং অপোম অতং তৌবদা তৈদুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। চা তোয়না থকপদগী চাকখাওদা থোকহনবা অমাং-অতা অসি অমুনবা লফোই চাং নাইনা চাবনা ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। তাং-চাউথোক্তুনা চিকপা-নাবা য়ুরেমিয়া হায়না খঙনবা কিদনি মথৌ তৌরক্তুনা ঈদা য়ুং হাইগৎলকপগী লায়না অসিদা অমুনবা লফোই চাবনা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৯

১। মৈতৈ পুৱারীদা মৈতৈলৈমা পাইখু লান্থবী, গোমতী মহারাণীগী ৱারী কান্দুনা চৎপা খক য়াররোই। মহাক কনাসু নত্তে, ইরোম থম্বালনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লৌখিবনি।
(ক) ইরোম থম্বাল কৈয়ূম নিংঙোলনো?
(খ) মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা উমংলাই ময়াম খোমগৎলগা ফুমখিবা মফমদু কদায়দনো?

২। "মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে/চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।" ৱাফমসি ঐখোয়গী উপন্যাসকার, হিজম গুণনা উপন্যাস অমদা হায়বনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "লৈরাংবী/লেংশিল্লি নহাক্কী থোৎলবা নখূৎনা/পুন্সি কয়াবু মতমগী লংজাশিংদা।" পরেং অহুম অসিনা কবি ক্ষেত্রি রাজেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নোংদোন্দা শীৎপা তিল মায়দা তাই হায়বদু হেক থোক্লেকো।" ৱাফমসিনা 'থাজরুবনা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অসিগী 'থম্মোয়গী লংলা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। মহাক অদু কনানো?

৫। "ফাইরেল থাগী অপাইবা লৈচিনগুম/হল্লক্লো নখোয়গী থৱায় মিরেন্না/লোইবী চীংদা চাক্তাখিবা ইবুংশিং।" পরেং অহুম অসিনা মচল ওইবীশিংনা নীংতম্বা লৌবা চৎখিবা মবুংশিংবু কৌজবনি। 'কৌরি মমানা মচাশিংবু' কৌবা ঈশৈ লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।
পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


ꯒꯪꯒꯥꯉꯣꯏ/MULTIPLE JOB VACANCIES

| Sl. | Name of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | VIII & Above | 6000 & Above |
| 2. | Driver | VIII & Above | 7000 & Above |
| 3. | Cook/House Keeping | VIII & Above | 6000/7000 Above |
| 4. | Attendent & Receptionist | X/XII/Graduate | 5000/7000 Above |
| 5. | Field Officer/Loan Recovery Staff | XII & Above | 7000 & Above |
| 6. | GNM/B.Sc Nursing/M.Sc Nursing (Staff-Tuitor) | | Negotiable |
| 7. | Accountant | Tally Knowledge | 16000 & Above |

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMEN & FRESHERS

| Sl. | Name of Post | Age | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | upto 50 yrs | 13000 & Above |
| 2. | Security Supervisor/Gun Man | -do- | 14500 & Above |
| 3. | Security Officer/Assistant Security Officer | -do- | 16000 & Above |
| 4. | Driver | -do- | 14000 & Above |

Last date of Form Submission : 17-7-2019
Interview on : 18-7-2019
Office Timing : 9:30 a.m. to 4 p.m.
For more details,
Please Contact : # 9383093678, # 8794829055
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal- 795001
HL-P/3935/11,12,13,14,15 Regd. No. 14/006/04/70/MICRO PART-1

2nd MATHEMATICAL (WIZARD) COMPETITION 2019
ORGANISED BY: EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

| | | |
|---|---|---|
| Submission Fee Rs. 300/-<br>Last Date of Submission: 16th July, 2019<br>Class I to X (classwise)<br>Sub : Mathematics (100 marks)<br>Date of Exam: 21st & 28th July, 2019 (Sunday)<br>Timing : 8:30 am to11:30 am, 12:30 pm to 3:30 pm | Class I to V on 21st July, 2019<br>Class VI to X on 28th July, 2019 | Class I, II, III, VI & VII 8:30–11:30 am<br>Class IV, V, VIII, IX & X 12:30–3:30 pm<br>in their respective dates |

Prizes
1st Position – Rs. 7,000/- x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5,000/- x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3,000/- x 10 + Certificate
4th to 10th position – Special Package

*Special Prizes
1. Best Student will be announced as 'Mathematical Wizard of the Year' (which secured 100 marks) with a prize of Rs 3,000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3,000/- + Mementos)

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.
1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store- Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangal Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar, 10. New Book Store - Wangoi Bazar 11. M/S Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 15. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 16. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 17. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 18. Leima Book Store - Nambol Bazar 19. C.I. Book Store - Nambol Bazar 20. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 21. Yai Bros - Yairipok Bazar 22. Habib Stationery - Yairipok Azad Golai 23. Hee Yai Enterprieses - Sangakpham 24. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 25. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 26. L.K. BookStore - Lamlong Bazar 27. Compact Service - Khoyathong 28. Taurus Stationery RIMS gate 29. Grand Paper Mart - RIMS gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar 31. Amar Book Store - Khangabok Bazar 32. Eikhoigi Enterprises - Kwakeithel Bazar
HL-B/5513/27-6/26-7
Please Contact: 9612194500 6009103078

S3 ꯁ꯭ꯇꯦꯞꯁ ꯇꯨ ꯁꯨꯌꯔ ꯁꯛꯁꯦꯁ
STEPS TO SURE SUCCESS
COACHING CENTRE, NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
MORNING BATCH ONLY
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE
BOTH FOR CBSE, BOSEM & COHSEM
CLASS IX & X : MATHS, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE
CLASS XI & XII : MATHS, PHYSICS, BIOLOGY AND CHEMISTRY
DURATION OF COURSE 5 MONTHS
CLASS COMMENCING FROM 15TH JULY 2019
CLASS TIMING 4:30 AM - 7 AM
★ VAN SERVICE AVAILABLE ★
HL-B/5501/21 Please Contact : 9856331259/6009164004

CSC City Study Circle (ꯁꯤ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ)
ADMISSION OPEN
FACULTY MEMBERS
English B. Haridas; English N. Dhananjoy; Science T. Ibobi; Maths M. Rajendro; Manipuri P.Manglem; English Ratna Mutum; Social Science Ak. Nilamani; Social Science A. Birbal; Science Dr. Shantakumar
11th Revision Course for Cl-X(BSEM) Sub : All Subjects
Starts :5th Dec. 2019. Timing : 10:00 a.m. - 3:30 p.m.
20th Foundation Course for Cl-X(BSEM) Sub : All Subjects
Hostel Available
Starts : 27th June, 2019 Timing : 5:00 a.m. - 8:00 a.m. Evening 4.30p.m to 7.30 p.m
Cont/- M.D. Sangaiprou Mamang Leikai, Airport Road. 8729914669, 6909614910 Office hour :05:00 a.m. - 5:00 p.m.
HL-B/5425/31/5-29/6(alt)

HL-P/3382/13
TODAY ꯕꯝꯄꯔ ꯍꯥꯎꯁꯤ ꯗ꯭ꯔꯣ TODAY
Ticket Rate Rs.2000/-
BUMPER HOUSIE DRAW
In Aid of
SHANJI MARTIAL ART INSTITUTE
Head Quater: Imphal, Manipur
Head Office : Konthoujam Makha Pakhangba Leikai, Imphal West-I
Regd. No. 24 / 94
₹7 Lacs HOUSEFULL
Quick-5 : ₹ 10,000/-
1st Line : ₹ 10,000/-
2nd Line : ₹ 10,000/-
3rd Line : ₹ 10,000/-
✱ of SMAI : ₹ 10,000/-
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 500/-
HOUSEFULL : 3 ACTIVA 5G
1st 2nd 3rd
ALL LINES : ₹ 2000/-
DATE : 13 JULY, 2019 Time :6:00 pm
VENUE : SINGJAMEI THONGKHONG COMMUNITY HALL


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।